**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-10-2023)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৫-১০-২০২৩, য়ুমশকৈশ)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) হৌখিবা অহিংদা খঙহৌদনা কৈথেলমানবি এরিয়াদা কুকি লালহৌবনি হায়না চীংনবশিংনা নৌনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে, য়ুম অমা মৈ থারল্লে।

২) সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা মীওই অহুমনা শাবা কম্মীতিগী মীহুৎশিংনা ঙরাং চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা স্কিমগী বেনিফিসারিশিংদা এল.পি.জি সিল্লিন্দর অমদা সবসিদি পীবগী চাং লুপা ১০০ হেনগৎহল্লগনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**এতেক(এল)ঃ** হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা চীংগা তাইনবা মফমশিংদা নোংমৈ কাপবগী পাউ তারুদ্রবা মতুংদা খঙহোদনা হৌখিবা অহিংদা কৈথেলমানবি এরিয়াদা কুকি লালহৌবনি হায়না চীংনবশিংনা নৌনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে।

পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- হৌখিবা অহিংগী পুং ৯ লোম তারকপা অদুৱাইদা অফবা মখলগী খুৎলায় শিজিন্নদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মখোয়না নোংমৈ কাপ কাপ্তুনা লাক্লবা মতুংদা শিংজাপোকপীদা য়ুম অমা তুমা মৈ থাদোক্লমখি। অদুমওইনমক, থৌদোক অদুদা অশোক অপন থোকখিবগী পাউদি লৈতে। মফম অদুদা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিন্দুনা ফীভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনরি। ঙসি অয়ুক অঙনবা ফাওবদা মরক মরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাই হায়রি।

**ভিজিৎ (এল)ঃ** সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা মীওই অহুমনা শাবা কম্মীতিগী মীহুৎশিংনা ঙরাং চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। কম্মীতি অসিগী মেম্বরশিং অদু জম্মু কাস্মীর হায়কোর্টকী থবক্তগী পোথারবা চিফ-জস্তিস গিতা মিতলনা লচিংলকখি।

কম্মীতিগী অতৈ মেম্বরশিং অদুদি বোম্বে হায়কোর্টকী হান্নগী জজ সালিনি ফনসালকার অমসুং দিল্লি হায়কোর্টকী হান্নগী জজ অশা মেননিনি। খোংচৎ অদুদা রাজ্যগী চিফ সেক্রেটরি ডা: বিনিট জোসিসু শরুক য়াখি। মখোয়না জিলা অনি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীয়ামা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবশিং য়েংশিনখি।

**পুলিস(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা পোৎচৈ পুবা গাড়ি ৩৬৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে ২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎশৈ পুবা গাড়ি ২৩৬ ঙরাং সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা লাকখ্রে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-নেসনেল হায়ৱেশিংদা অয়েৎ অপন লৈতনা পোৎশৈ পুশিল্লকপা য়ানবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ঙাকশেন্দুনা মখা তানা থবক লৌখৎলি। ঙরাংসু ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচিং , থৌবাল ,বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চখ্থি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট,থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**-তারিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি-**

**সবসিদিঃ** প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা স্কিমগী বেনিফিসারিশিংদা এল.পি.জি সিল্লিন্দর অমদা সবসিদি পীবগী চাং লুপা ১০০ হেনগৎহনবদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা য়ারে।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাস্তিং মন্ত্রি অনুরাগ সিংহ ঠাকুরনা হায়- মন্ত্রি মন্দলগী অনৌবা ৱারেপ অসিনা হান্না উজ্বালাগী বেনিফিসারিসশিংদা এল.পি.জি শিল্লিন্দর অমদা লুপা ২০০ সবসিদি পীরম্বা অদু লুপা ৩০০দা হেনগৎলে।

মহাকা হায়- সেন্ত্রেল য়ুনিভার্সিতিস এক্ট ২০০৯ শেমদোক্তুনা তেলঙ্গানাদা সামক্কা -সারক্কা সেন্ত্রেল ত্রাইবেল য়ুনিভার্সিতি লিংখৎনবসু ৱারেপল লৌখি। য়ুনিভার্সিতি অসি মুলুগু জিলাদা লুপা কোতি ৮৮৯ চংদুনা শাগদবনি। মসিনা রাজ্য অদুদা শিক্ষাগী থাক ফগৎহন্নবা পান্দম থল্লি।

**এরেস্তঃ** ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেতনা দিল্লি এক্সাইজ পোলিসি কেসকা মরী লৈননা আম আদ্মী পার্টিগী রাজ্য সভা এম.পি সঞ্জয় সিংহ ফারে। ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা ঙরাং থিবা হুন্নবগী থবক চত্থরবা মতুংদা মহাকপু ফাখিবনি।

মহাক থারগা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাগৎপা আম আদ্মী পার্টিগী লুচিংবা মীওই অহুম শুরে। দল অসিগী লুচিংবা সত্যেন্দর জেন অমসুং মনিস সিসোদিয়া হান্ননা ফাখ্রবনি। দিল্লি বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট বিরেন্দ্র সাচদেবনা হায়-দিল্লি এক্সাইজ পোলিসি চৎনহন্নবা হোৎনবদা সঞ্জয় সিংহনা শেঞ্জা থুমজা তৌখি হায়বদু হৌজিক্তি ময়েক শেংনা খঙহৌরে।

**সিকিমঃ** সিকিমদা ঙরাং খঙহৌদনা ঈচাউ থোকপদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫৯ থীবা খঙদনা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা লান্মীগী মীওই ২৩ য়াওরি। থৌদোক অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫ লৈখিদ্রে হায়রি।

রাজ্য অদুদা চেনবা তিস্তা তুরেলগী ইমায় খঙহৌদনা ৱাংখৎলকপদগী ঈচাউগী অৱাবা মায়োকখিবনি। ঈচাউ অসিনা শিংতম অমসুং রাঙপো সিৱেজ ত্রিতমেন্ত প্লান্ট চাউনা অমাং অতা থোকহল্লে। শাফগদবা মফমশিংদা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্তুনা অৱাবা নংলবা মীওইশিং চংজফম লৌরি। তুং-থোং তেকখিবদগী চুংথাং লমদমগা লন্বী ফাওনদ্রে। ঈচাউ অসিনা চুংথাং তাউন্দগী চাদা ৮০ শোকহল্লে।

ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি অমদি মরী লৈনবা বিভাগশিংনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি।

**গেমসঃ** হংঝৌ অসিয়ান গেমসকী ঙরাং ১১ নি চনবা নুমিত্তা ভারতনা সনাগী তকমান অহুম, লুপাগী ৫, শেঞ্জেংগী ৪ লৌবা ঙমখি। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা সনাগী তকমান ১৮ ,লুপাগী ৩১, শেঞ্জেংগী ৩২ পুন্না তকমান ৮১ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈরি।

ভারতকী জ্যোতি সুরেখা অমসুং ওজাস দিয়োতলেগী জর়ানা আর্চরি মশান্নদা সনাগী তকমান লৌখি। নুপীগী বোক্সীং মশান্নগী কিলোগ্রাম ৭৫ গী কংলুপ্তা ভারতকী লফলিনা বোরগোহেননা লুপগী তকমান ফংখি। মদুগী মমাংদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৭ কী কংলুপ্তা পরবিন হুদনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা এসিয়ান গেমসতা তকমান ফংখ্রবা শান্নরোইশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা তোঙন তোঙনবা পোষ্টশিংদা প্রধান মন্ত্রিনা শান্নরোইশিংবু থাগৎপা অমদি পুকিং থৌগৎপা ফোংদোকখি।

**স্বাচ ঃ** স্বাচ ভারত মীসনগী মখাদা মীওই কোতি ৮ লাখ ৭৫ হেনবনা লু-নানবগী থবক্তা শরুক য়াখি। লৈবাক অসিগী কাচিন কোইয়াদা মীয়ামনা শ্রমদান উৎতুনা মেগা ক্লিনলিনেস দ্রাইব অদুদা শরুক য়াখি।

হাউজিং এন্দ অবার্ন এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হায়-ক্লিনলিনেস দ্রাইব অদু মরুওইনা লন্দ্বীগী নাক-য়েৎ, হায়ৰে, রেলবে ত্রেক, হোস্পিতালশিং, অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং, লম কোইবা লাকফমশিং অমসুং লাই খুরুম্ফমশিংদা পাঙথোকখিবনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) হৌখিবা অহিংদা খঙহৌদনা কৈথেলমানবি এরিয়াদা কুকি লালহৌবনি হায়না চীংনবশিংনা নৌনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে, য়ুম অমা মৈ থারল্লে।

২) সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা মীওই অহুমনা শাবা কন্মীতিগী মীহুৎশিংনা ঙরাং চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা স্কিমগী বেনিফিসারিশিংদা এল.পি.জি সিল্লিন্দর অমদা সবসিদি পীবগী চাং লুপা ১০০ হেনগৎহল্লগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি- কিরন**

কৈথেলমানবিদা অমুক হন্না লান্দারকখিবা, সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা কম্মীতিনা য়েংশিনখিবগী পাউ অমদি শোক্তুনা লৈবা মহৈরোইশিং মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মীসননা য়েংশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফমদা -খুৎলায় পায়বশিংনা কৈথেল মানবীদা লান্দারক্তুনা মীতৈগী য়ুম অনি মৈ থাখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা ফোংনরে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর ইদিসনদা- মনিপুরগী রিলিফ, রিহেব্লিতেসন অমসুং রি-বিল্ডংগী থৌরাংশিং য়েংশিন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা কম্মীতিনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা য়েংশিনখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসিসু পাউচে অয়াম্বা পাউচেদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা - মনিপুরদা দেঙ্গী লায়চৎ কিনিংঙাই ওইরক্লে, মমাং চহিগী তঙ্খায় হেননা নাবা থেংনরে হায়বা হেদলাইন অসিগী মখাদা মীওই লিশিং ১,০১৩ পোজিতিব ওইরে, ইম্ফাল ৱেষ্ট খক্তদা ৭১০ নারে হায়না সব হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেস্তা - মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মীসননা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পিশিংদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা চথখিবা কা হেনবা থৌওংদা অশোক

অপন নংখিবা কেসশিংগী রিপোর্ট পীখল্লকবা হায়খিবগী পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা - পি.ঐচ.দিগী মহৈরোইশিং মরু ওইনা জনিয়র রিছার্স ফেলোসিপ, সেনিয়র রিছার্স ফেলোসিপ অমসুং রিছার্স এসোসিয়েতকী মখাদা লৈবশিংগী ষ্টাইপেন্দ হেনগৎখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা -উখ্রুলদা লৈবা হুনপুং ভিলেজচিফকী য়েক সলাই মঙাং ওইরম্বা থেংনরে হায়না এঙ্কর কমলদা ফোংলি। পাউচে অসিদা মীজোরাম পুলিসনা আইজোল এয়রপোর্টতগী লুপা কোতি ৩১ রোমগী দ্রগ ফারে হায়না পাউ অমসু ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- এন.আই.এনা ফাখিবা মোইরাংথেম আনন্দ মথং থাগী অহুম ফাওবা জেলদা থাজিনখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউচে অসিদা মহৈরোই অনি হাৎপগী মতাংদা ফাখিবা মীওই ৪ সি.বি.আইনা নুমিৎ ৫ নিগী কাষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে হায়না পাউ অমসু ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা - কম্মীতি ওফ দ্রাইবেল য়ুনিতিনা সটখোথাং কীপগেনবু ইরাং অসিনা মরম ওইরগা খুৎলাই পায়বশিংনা হাৎখ্রে হায়না নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ফাওবা বন্দ কৌরুরবা মতুং লৈখিদ্রবা মীওইদু হল্লক্লে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা - লিকর পোলিসি কেসকা মরী লৈননা এ.এ.পিগী লিদর সনজয় সিংহ দিল্লিদা ফারে হায়না ফোংলি। ইরৈবাক্তা মনিপুরগী ইরাংদা জোরামথঙ্গানা য়াওশিল্লিবসি মহাক অমুক হন্না মীজোরামগী সি.এম ওইননবনি হায়না ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা - অথৌবনা য়ু.এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মফমদা মনিপুরদা থোক্লিবা থৌদোকশিং ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গনফিউ মেলদা- তমেংলোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ জংহেমলুংনা চহি অসিগী আর.কে রগাইশিন মেমোরিয়েল বেটমিন্তন চেম্পীয়নচিফ হৌদোকখ্রে। মনিপুরগী ৱাথোক থা ৫ শুজল্লকপগা লোয়নন ৱাথোক অসি অথুবদা লোইশিন্নবা জোমি কাউন্সিলনা প্রধান মন্ত্রিদা চিঠি ইখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা -নোবেল প্রাইজ ফোর কেমেস্ত্রি চহি অসিগী ওইনা মৌগী বৱেনদি, লুইস ব্রুজ অমদি ইকিমোভ না ফংখ্রে অমদি মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মীসননা শোক্তুনা লৈরিবা মহৈরোইশিং হোস্পিতালদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়না ফোংলি।

হিল হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - সেনাপতি জিলাদা ইন্তরনেট হাংদোকবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসননা মনিপুর সরকারদাঅলতিমেতম থাখ্রে অমদি এন.দব্লিউ.য়ুনা নাগা তাবা লমশিংদা অফসপা থম্বগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

----**কিরন**----